HUEIYEN LANPAO

# য়োংচাক অমসুং ঙারী থানবা ক্যু লেপ্পগী চৎনবী

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা

ঙরাংদি ইম্ফালদা লৈবা পোষ্ট ওফিসতা চৎলুই। পোষ্ট ওফিস মমাঙদা নুমীৎ খুদিংগী চৎলি হায়বমক য়ারবসু পোষ্ট ওফিসতা থবক অমগীনি হায়দুনা অতম্লনা চঙদবদি চহী মঙারোম হৌখ্রে। চহী মঙাগী মমাঙদদি পোষ্ট ওফিসতা ফনা তোয়না চৎলম্মী। চহী মঙাগী মতুংদা ঙরাং পোষ্ট ওফিসতা চৎপসিদা ফনা য়াম্না হোংলল্লগনি নীংই পোষ্ট ওফিস। অদুবু হোংলমদে। হান্নগী হান্না হামু-হামু হায়বদু অদুম্মক ওইদুনা লৈরম্মী। মহৌশাগুম্না পোৎ অমা থানবগী ক্যু লেপ্পদু হৌজিকসু অদুম্মক লেপ্লি। পোৎ অমা থানবা হোৎনবদা পুং ১ দগী তাদনা মাঙলি। মণিপুরদা এ টি এম বুথ য়াম্না মরাং কায়দ্রিঙৈদা শেল লৌথোক্লবা হোৎনবদা ক্যু শাংনা-শাংনা লেপ্লল্লদুমদি লোইখ্রে। রিমস অমসুং জেনিমসকী ও পি টি টিকেট কক্লবগীদমক্তা ক্যু লেপ্পদি হৌজিকসু মথৌ তারি। মসিগা করিসু খেন্নদ্রি পোষ্ট ওফিসতা পোৎ থাননবা ক্যু লেপ্পগা।

সোসল মীডিয়ানা খুন্মাং চাউশিল্লকপসিদা পোষ্ট ওফিসতা ক্যু লেপ্পদি খরদি শোয়দনা হন্থরল্লগনি হায়না খল্লি। অদুবু হন্থরমদে। মসিগী মরম খরবুদি লৈ। মীশিং য়ামখৎলকপা অমসুং লোয়শঙ মশিং য়ামখৎলকপা হায়বসিসু অমনি। লৈঙাক্কী লোয়শঙদা চে থাবা অমসুং মহৈরোয়শিংগী তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগী চে থাদোক থাজিন তৌবা হায়বসিদি নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলকই। মসিদগীনি হৌজিক ফাওবদা পোষ্ট ওফিসতা ক্যু লেপ্পগী পোৎলুম অসুম্মক লৈরিবসি। মপান লমদা মহৈ-মশিন তমদুনা লৈখিবা মহৈরোয়শিংদা শেল থাবা অসিসু পোষ্ট ওফিসনা মরু ওইরিবনি। মপান্দা মহৈ-মশিন তমদুনা লৈখিবা মহৈরোয়শিংদা পোৎ-চৈ থাবগী মতাং অসিনি ঙসিগী থম্মোয় পাউদমনা মীয়ামদা পাউদমজনিংলিবদি।

ঙরাংসু মমা কয়ানা, মপা কয়ানা, মবুং কয়ানা মহৈরোয়শিংগী পোৎ থাবা লাকই। অঙৌবা মচুগী ফিনা য়োমশিল্লবা পোৎ ময়োম-ময়োম পায়নরগা পরেং শানা লেপ্লগা লৈবদুদি য়েংবদা ফনদুম নুংঙাই। পরেং লেপমিন্নরিবা মখোয় মশেল হংনৈ, করি পোৎনো থাগদৌরিবসি। অমনা খুম্মী, ইচানুপীদা য়োংচাক থাগে তৌবনি অমনা খুম্মী, ঐগীসু ইচাদা হেন্তাক্কা ঙা অয়াইবগা থাগে তৌবনি। অমনা অমুক খুম্মী, ঐগীনা ঙারীনিনে। ঙারী য়াওদ্রবদি চাক চাবা য়াদ্রে হায়। অদুনা ঙারী খরগা শিংজু খরগা স্পিদ পোষ্টতা থাগে তৌবনি। অতে পোৎ থাবগীদি থোইনা ঙক্লুদে, শিংজু মচলশিং থারিবনি হায়বদুদদি ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী মশক খঙনিং নীংশিংলকই।

নন-লোকলশিংনা মণিপুরদা লৈররিবসিদা মখোয়না চাগনবা করি করি পোৎলমশিংবু থারক্লমগদৌরিবা। খুদক্তা চৎলগবু হংনিংখিবনি। মরমদি মখোয়দি করিসু থারক্লমগনি নীংদে। মখোয়গীদি লৈফম-লৈফমদুগী পোৎ চারগা ঙম্ন-ঙম্নবা হিংখিবা হায়বসিনা মরুওইবা পান্দমনি। অদুনবু করিসু য়াওদনা লাক্লগা ইনাক কৈরাক খুল্লবা, নুংঙাই য়াইফরবা মী ওইবা ঙম্লিবনি। থারকপদি লাইরদনা ময়ুমদা লৈহৌরিবশিংগীদমক্তা শেল থাখ্রিবনি। শোমদনা থবক কন্না শুরগা চানিংবা কয়া চাদনা খাঙলগা শেল থাবা ঙম্নবা হোৎনরিবনি। অসোমদনা এ টি এমগী কার্দ পায়রগা শেল লৌথোক্ল বা ঙাইরিবনি। মসিনি খেন্নবা অনী। খেন্নরিবা অসিদগী ফংলিবা নুংঙাইবা অমসু মীয়াম্না পুন্না খঙমিন্ননবা হোৎনদ্রি।

নুংঙাইরিবা অদুদি অতে নত্তে। মীরমদা লৈরিবা ঐখোয়গী মীশিংনা লমদমসিগী চীঙাক কাউবা ঙমদবা অসিনি। চীঙাকপু নুংশিরিবমখৈ খুন্নাইসিবু নুংশিরি হায়বনি। খুন্নাই অসিবু নুংশিবদা খুন্নাইসিগী হৌনা লোনচৎ, থকশি-খাশি, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ, ফিজেৎ-চাকচা লোয়না য়াওরবনি। অদুবু মপানদা লৈখ্রবশিংনা শুপ্নতগী চীঙাকখক্তমক নুংশিরিব্রা হায়বসিমদি তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নবা য়ারি। মরমদি ঐখোয়গী চীঙাক্লা অতে চীঙাকশিংদগী হেন্না পাম্না চাজে হায়বসিমদি পুন্নমক্লা য়ানরে। অদুবু মপানদা লৈরিবা অমদি লৈরুরবা মীওইশিংনা মপানগী চৎনবী ওইনা তম্লিবসিমদি অফবগী খুদমলা। অফবগী খুদম নত্তে। ঐখোয়গী ফিজোল থাদোক্লগা মীতোপকী ফিজোল শেৎপনা ঐখোয়না চাউখৎলে হায়না লৌবা য়ারোই।

অহল-লমনদা করি থৌগল্লোন উৎকনি খঙদবা লীচৎ-শাজৎ তম্লগা হল্লক্লবগীদমক্তা ওইরগদি হেন্তাক, য়োংচাক, কুপশু, ঙারী চাবগী করি কান্নবা লৈবগে। মতাংসিদনি মীরমগী মীতৌ তম্লিংবশিংনা ইরমদমগী চীঙাক চাবীরুরনু হায়নিংলক্লিবসি। অদুবু ক্যু লেপ্লবসু পোষ্ট ওফিসপুদি থাগৎতবা ঙমজদে। মরমদি পোষ্ট ওফিসনা মীওইবদা অচৌবা কান্নবা কয়া পীরি। কান্নবা লৈবননি ঙসি ফাওবসিদা মীয়াম্না পোষ্ট ওফিসপু লুম্না লৌনরিবসি। চহী খরগী মমাঙদদি টেলিফোন নম্বর হংনবগী মহুত্তা এড্রেসকী পিন কোদ ওইনা হংনরম্মী। দিল্লিগী, মুম্বাইগীদি লায়রদনা বিষ্ণুপুরগী, থৌবালগী, উখ্রুলগী, চান্দেলগী, সেনাপতিগী পিন কোদ খঙদবা মীশিং শিংবা ৱাৎলিবা মী ওইনা লৌনরম্মী। পুম্ন মক্তা চিঠি য়াম্না থানরিঙৈগী মতমদনি।



# তৌবা ঙম্বশিংগী খুবাম্মুংদা তারবা থম্মোয়গী ৱাকৎনি তম্নলাই

- নানি

মণিপুরী ঠিএটরগী পুৱারীদা চাউনা মফম কল্লিবা অমনি কলাক্ষেত্র, মণিপুর। ঠিএটর গ্রুপ অসিগী দিরেক্টর হৈস্নাম কহ্নাইলাল হন্দক্তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পদ্মভুসনগী মনা পীদুনা ঈকাইখুম্ন খ্রবা মীশক অমনি। ইন্দিয়ন ঠিএটরদা পদ্মভুসন ফংবা মীওই অহুমগী মনুংদা মহাক্না অহুমশুবনি। মমাঙদা হবিব টনবির অমদি গীরিস কর্নাদতা উপাধি অসি পীখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী হৈস্নাম কহ্নাইলালদা এৱার্দ অসি পীরকপনি। মণিপুরদনা এৱার্দ অসি ফংবা মহাক্না অনীশুবনি। অহানবদা বোক্সিংগী মেরিকোমদা এৱার্দ অসি পীদুনা ঈকাইখুম্নবা উৎখ্রে।

শ্রীহৈস্নাম কহ্নাইলাল ইন্দিয়ন ঠিএটরগী মায় পুদুনা মালেমদা মমিং লৈরবা ঠিএটর দিরেক্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। দিরেক্টর অসিগী মখাদা মমিং লৈরবা লীলা কয়া মালেমগী থাক্তা উৎতুনা মণিপুর অমদি ইন্দিয়ন ঠিএটরগী অশেংবা মশক অমা শাগৎনবা হোৎনরক্লিবা শক্লাইরবা দিরেক্টরনি। ঙসি মার্চ ১২, ২০১৬ তা চন্দ্রকৃতি হোলদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী শেন্থং মখাদা দিরেক্টর অসিগী লীলা *তম্নলাই* হায়বা অসি মায় পাক্লা উৎখ্রে। লীলা উৎপগী থৌরম অসিগী ফোর্মেল ফঙ্কসনদা শক্ল ইখ্রবা দিরেক্টর অসিনা ইবা *ঠিএটর ওফ দ আর্ট* হায়বা সিগলনা পুথোকপা লাইরিক অমসু ফোঙখি। লাইরিক অদু ৱার্ক্স ওফ কহ্নাইলাল (মোনোগ্রাফ) নি। কহ্নাইলালগী ঠিএটরগী অশেংবা মশক অমা মহাক্কী লাইরিক অসিদা ফোঙদোক্লি হায়না লাইরিক অসিগী মরমদা ৱাফম থমখিবা ডা. প্রেমচান্দনা ফোঙদোকখি। থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিসন্নার কে রাধাকুমারনা চীফ গেষ্ট, ক্রিটিক্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর আই এস কাংজমনা প্রসিদেন্ট অমদি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর টি ঐচ তোম্বীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

*তম্নলাই* কুমজা ১৯৭২ গী জন্যুৱারি থাদা অহানবা ওইনা পুথোকখি। মণিপুরী ঠিএটরদা অনৌবা য়াওল অমা ওইনা লাকখিবা এক্সপ্রিমেন্টেল প্লেগী ইহান হানবা প্লে অমনি হায়না হায়নরিবা *তম্নলাই* অসি অসুক্কী মতিক মণিপুর অমদি ইন্দিয়াদা মমিং চৎখি। ঙসিগী মতম অসিদা লীলা অসি হেন্না য়েংনিংবগী ঈখৌ লাংবা কয়া অদু য়েংলগা নৌনা অনৌবা এক্টর কয়াগা লোয়ননা পুথোরকপনি।

কুমজা ১৯৭০ গী মতম অসি মণিপুরগী পুৱারীদা অনৌবা মখলগী পোলিটিকেল ইনফ্ল্যুয়েন্স, পৱার ক্রাইসিস অমদি হ্যুমেনিটি ক্রাইসিস কয়া হৌরকপা য়াম্না শাথিবা মতম অমা ওইখি। মতম অসিদা লৈরিবা খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা অচৌবনা মচাবু হন্থনা য়েংবা, তৌবা ঙম্বশিংনা মখোয়গী খুদোংচাবা খরগীদমক মখা থাবা অমদি অশোনবশিংবু তাথি-তাওইবা, লাকথুনা তৌবীবদগী মতমদুগী মীওই কয়ানা মচিন থোক্লা হায়জবা ঙমদ্রবসু মথম্মোয়দা চৈথেং কয়া ফংদুনা অৱাবা খাংনখিবা মতমনি। *তম্নলাই* ৱারী অসিমক মণিপুরী ফুঙ্গা ৱারীদা লৈরিবা লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনানগী পুন্সিদা শাদোংলগা খুন্নাই অসিগী মীয়ামগী পুন্সিরোলবু মশক তাকপা অমদি মখোয়গী হিংবগী থাক কয়া অদু ময়েক লানা উৎথোকপা কলাক্ষেত্র অমদি দিরেক্টর হৈস্নাম কহ্নাইলালগী মীৎয়েং শানবা প্লে অমনি। ফুঙ্গা ৱারীদা লৈরিবা মশক কয়াশিং অদু কন্টেম্পররি সোসাইটি অসিদা পুশিন্দুনা চাংদম্নদুনা য়েংলকপনি। ঙসিসু লীলা অসিগী ৱাহন্থোক অমদি মদুনা নৌনা য়েংলিবা মীয়ামদা তীং লাউনা ফাওহনবা ঙম্লি। ইচম চম্না কা-হেনবা সেট অমদি ম্যুজিক শীজিন্নদনা অয়েংবা অমদি এক্টরশিংগী মরক্তা চপ চানা পাউ ফাওনহনবা ঙম্বা লীলা অমা ওইখি।

ঙসি উৎখ্রিবা লীলা অসিদা শরুক য়াখিবা এক্টরশিংদি- ঐচ সাবিত্রি, এম রতন, এ উপেন্দ্রো, এ শ্যাম শর্ম্মা, জি কোকেন, পি তাইশন, এল সুনিল, জি বোনি শর্ম্মা, এল তোম্থোইঙানবী অমদি আর কে সোরোজিনিনি। লাইটতা- এল ইবোচৌবা অমদি কষ্ট্যুমদা হৈস্নাম তোম্বনি। স্ক্রিপ্ট অমদি দিরেক্সন পীরিবনা- হৈস্নাম কহ্নাইলালনি।






## নেসনল থিয়েতর ফেস্তিবেল, ২০১৬

# গিরিস কর্নাদকী নাগ মন্দল পঞ্জাবতা
# ইন্দিয়াগী নুপীশিংগী পুন্সি মশক উৎলিবা লীলা অমা

হুইয়েন ইন্দু



গিরিস কর্নাদ, ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা লীলা ইবা মীশক অসিগী মিং, মণিপুরগী লীলা তৌবা অমদি অয়েংবশিংদা অনৌবা অমা নৎত্রে। ঐখোয়গী দ্রামা দিরেক্টরশিংনা মহাক্কী লীলা কয়া চাংয়েং তৌদুনা পুথোকখ্রে, মীতৈলোন্দা হন্দোক্তুনা লাইরিক ওইনসু ফোঙখরে। অদুবু, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এক্টরশিংনা শান্নবা, মমিং চৎপা দিরেক্টরনা পুথোকপা প্রদক্সনদি অমুক্তা উখিদ্রি। মরম অসিনা, নেসনেল ঠিএটর ফেস্তিবেল ২০১৬, ইম্ফালগী তরুকশুবা লীলা, দি কম্পেনি, চন্দিগরনা শান্নবা *নাগ মন্দল* য়েংনিংবগী লাংতক্লবা হেনখিবনি। ঐহাকখক্তা ওইরম্লোই। অদুবু অফবা নুমীৎ থাবানগী লুহোং চেবাউ ননশিন্নবা ময়ামদুগী মায় ঙাকপা চৎনখিবদুনা ওইবা তাই, লীলাশঙ মনুংদা অহাঙবা ফমফম মশিং হেল্লিবদু।

‘দি কম্পেনি’ হায়রিবা পঞ্জাবকী চন্দিগরদা লৈবা ঠিএটর গ্রুপ অসিনা শান্নবা দ্রামাটিক পার্ফোর্মেন্স অমা য়েংগে হায়রবদি গ্রুপ অসিগী হৌখ্রবা মতমগী ৱারী হাইফেৎ নীংশিংলুদবা য়ারোই। মরমদি কম্পেনি অসিগী এক্টরশিং, হৌখিবা চহী কুন্থ্রা অসিদা মশাগী ওইবা দ্রামাটিক লেঙ্গুয়েজ অমা পুথোক্লবা হোৎনরক্লিবনি। পার্ফোর্মেন্সগী ইতিহাস, শক্তম, অহাঙবা মফম অমদি লোন- পুম্ন মকসিদা অতোপ্পা মীহুৎথোঙ অমদগী অনৌবা মীৎয়েংদা য়েংলক্লিবনি। সহরগী মী অমদি খুঙ্গংগী মী- অনীসিগী মরক্তা লৈরিবা মান্নদবা অমদি খেৎনবশিং অদু লৌথোক্তনা-ফোক, ত্রেদিসন অমদি মোদর্নিটি অহুম অসি পুনবা য়ারোই হায়বা কম্পেনি অসিগী থাজবনি।

*নাগ মন্দল* হায়রিবা প্লে অসিমক, ইন্দিয়াগী লিরবা ফোক ত্রেদিসন অমদগী মচং ওইবা মচাক লৌখৎলগা ঙসিগী মোদর্ন সোসাইটি অসিদা পানশিন্দুনা অনৌবা পুন্সিরোল নৈনবনি। কর্নাটাকাগী ‘ফোক লোর’দা য়ুম্ফম ওইদুনা গিরিস কর্নাদ’না লীলাসি ইরম্লগসু মহাক্না য়েকপা পাম্লম্বদি ইন্দিয়াগী নুপীশিংগী পুন্সি শক্তম অমা য়েকপনি। ফুঙ্গা ৱারী অমদা মোদর্নিটি থিবা খুৎইনি, ইতিং তিংনা লীফরোই। মাগী-মাগী লমদুদা চৎনরিবা ফোক ইলিমেন্টশিংগা তোৎশিন্নদুনা লীরবতদা অতাবা/অয়েংবা অনীমক্কী থম্মোয় কাচিন য়ৌনা চঙবা ঙমগদবনি। মদুমক তৌনবা হোৎনৈ দিরেক্টর নীলম মান সিংহ চৌধুরিনা।

লীলাগী ৱারী-রানি কৌবী, ঈনাকখুনবা অপন্না কৌবা নুপা অমদা ময়ুম পাল্লুরগা কৈশুমশঙগী ফাদোক অমগুম পুন্সি লেনখিবা, মপুরোইবগী অনীংবা অপাম্বা মতুংইন্না মাগী থম্মোয়গী ইহুল, অপাম্বা, নুংশিবা, ঈখৌলাংবা পুম্নমক নমশিন্দুনা থম্বীবা, মীনাইনুবী অমগুম পুন্সি লেনখিবা নুপী অমগী অৱাবা ৱারী অদুনি। অপন্নানা য়ুমগী নুপী অদুবু লুহোংদুনা লৌরুরগা ইমুং মনুংদা ছো লোনশিন্দুনা থম্লগা মপানগী তাইবঙ উহন্দে। নুপা ওইবগী ঈহৌরকপা অপাম নুংশিগী ৱাখলদু কোক্লনবা শকহেনবী মরুম্বী অমগী মনাক্তা চৎলি, অহিং য়ারেকমিন্নরুই। য়ুমগী রানীদুগী মনাক্তা চাকখাওগী অরাম্বা কোকহন্নবগীদমক লাক্কনি। হাউই হাউতে ৱাহৌদা ওৎলম্লগা হনখিনি। মানা লমচৎ কাম্বগুম, মপানগী তাইবঙগা শম্নরবা রানীসু লমচৎ কাম্লক্কনি-চিংনৈ মাগী নুপানা। ৱাকৎ অমত্তা লৈতনা মপুরোইবৈ মীওৎ-মীনৈ খাঙই রানী লৈপাকলৈগুম। ঈনখৎলকপা মতমগী অপাম-নুংশি, থম্মোয়নুংদা লোৎশিনজৈ, ৱাখলগী তাইবঙ অমদা লেল্লদুনা কাউথোকচৈ।

খঙহৌদনা থুংলবা মীৎতাঙবী মীথুং অমদা মাগী ৱারী লীরুঙৈদা, নুপীদুনা পীরম্মী মপুরোইববু খুদুম চন’ঙম্বা নুংশি হিদাক। শঙ্গোমদা থীৎপা হিদাক্তু চাংয়েং ওইনা খজিক্তং পীথক্লুবদা লৌশিং মাঙখি অপন্না। মখা তানা পীথকপা কিরদুনা পীথকখিদে। হিদাক অদু লিন-খারৌ অমনা থক্লুঙৈ মপুরোইবগা শকমান্নবা নুপা অমা ওল্লকখি লিন অদুনা। লিন’না ওনবা মপুরোইবদুগা অহিং কয়া য়ারেকমিন্নবদগী রানীগী পিবুক্লুংদা নাৱা অমগী মিহুল নাউয়েক নাউতম্লে। নুংঙাইবা পাউনি খন্দুনা মপুরোইবদা তম্লুরে। ওক্তবীনি হায়দুনা ওনখৎ’না মরাল শীরক্লে। পঞ্চায়ৎ’তা ৱাকৎলে- অহিং অমত্তসু মহাক্না য়ারেকমিন্নখিদবী লোয়নবী করম্না নাওয়েক তম্লিবা? থাজনবী মতুংইন্না, লিনগী মকোন অদুদা মখুৎ থিংজিনহন্দুনা লমচৎ চাংয়েং তৌরুবা, চীক্লক্তরে খারৌনা, লমচৎ চুম্বী তশেংলে। অদুমক্তদা অপন্না মপূক্লিংদু পেনখিদে। লিননা ওনবা অপন্না মথ্বাই অদু কথোক্লম, রানীগী পুন্সিদা লোইরং শিংখোঙ ওইদনা তাইবঙপানসি থাদোকখি। অমত্তা ওইখি রানী অমদি অপন্না।

মঙলান অমদি তাইবঙ অনীবু অমত্তা ওইহনবা গিরিস কর্নাদকী শিংথানিংঙাই ওইবা প্লে অসি পঞ্জাবকী নুপী দিরেক্টর, নীলম মান সিংহ চৌধুরিনা অঙকপা ঠিএটরগী দিজাইন অমদি দিভাইস শীজিন্নদুনা, অফবা প্লেগী মহাউ-ঈখৌ লাংলবা মণিপুরগী অয়েংবশিংদা কাউঙম্ল-রোইদবা মহাউ অমা পীরম্লে। রমনজিৎ কৌর অমসুং পাইল চৌধুরি অনীগী থৌনা ফবা ইরোটিক এক্সন কনানা কাউবা ঙমগনি। য়েংলুরগা হল্লকপদা খল্লকখি- *নাগ মন্দল* অতোপ্পা দিরেক্টর কয়ানা পুথোকখিবা ময়ামদগী চন্দিগরগী ঠিএটর কম্পেনি অসিনা হেন্না মায় পাক্লিবসি করিগীনো? ইথন্তা অমুক পাউখুমজৈ- নুপীগী অৱাবদি নুপীনা হেন্না খঙফম থোকইনা। নুপী দিরেক্টর অমনা নুপীগী সমস্যা নৈনবা লীলা অমা পুথোকপা, নুপা অমনা পুথোকপগা করম্না চাংদম্নরুনি। অদুগীসু মথক্তা, নীলম’না *নাগ মন্দল* ১৯৮৯ দা ইহান হান্না পুথোকখিবদুগী মতুংদা, ২০০৫ দা অনৌবা খুৎপুথোক অমদা অমুক পুথোক্লুরগা, ঙসি ঐখোয়না উরিবা অসি অহুম্লকশুবা অনৌবা খুৎপুথোক ওইনা ২০১৪ দা পুথোকপা অদুনি। হায়বদি, মহাক্না প্লে অসিদা ঙাওরক্লিবসি চহী ২৭ শুরবনি। করিগীসু থোইদোক্লোই? চুম্নগী লীলাদুমখক পুথোকপদা নত্তে নীলম মান সিংহনা ঙাওরিবা। পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাগী হন্থবা থাক্তা লৈবা ‘নক্কল’শিংগী চৎনবী-লীক্লম (ত্রেদিসন) অদুগী মনুং হুৎনা চঙলগা ‘দ্রামাটিক ভোকেবুলেরি’ (লীলাগী লোন) ওন্থোক্লবগী চাংয়েং অমসু ঈরোইনরিবনি। মাগী পূক্লিং-হকচাং অনীমক লুপ্পা চাংয়েং অদুগী পোত্থোক্লি ঐখোয়না ফেব্রুৱারি ১১, ২০১৬ নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ দা য়েংখিবা, পুং অমগা মিনিট কুন শাংবা লীলা *নাগ মন্দল*। নীংশিংবগী লামায়দা ফনা কুইনা মুৎলরোই লীলাদুগী শক্তমশিং।



*ডা. নীলম মান সিংহ চৌধুরি, দি কম্পেনি, চন্দিগরগী দিরেক্টর- ১৯৭৫ দা নেসনল স্কুল ওফ দ্রামাগী এক্টিংদা স্পেসিয়েলাইজ তৌদুনা গ্রেজুএৎ অমা ওইরমখি। কুমজা ১৯৭৬ তগী ১৯৭৮৯ ফাওবা মুম্বই (বোম্বে) দা লৈদুনা অঙাংশিংগী ঠিএটর তৌরম্মী। অদুগী তুং, ভোপালদা লাক্তুনা ‘ভারত ভবন আর্ট কমপ্লেক্স’তা এটেচ তৌবা ‘রঙ্গ মন্দল’দা থবক তৌরম্মী। কুমজা ১৯৮৪ দা চন্দিগরদা লাক্লগা ‘দি কম্পেনি’ হায়না মিংথোনবা মশাগী ঠিএটর গ্রুপ অসি লিংখৎখি। মশাগী গ্রুপ অসিগী থবক তৌনা তৌনা কুমজা ১৯৯০ দগী পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটি ঠিএটর দিপার্টমেন্ট’তা ওজা ওইরকখি। হৌজিকসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী প্রোফেসর ওইরি।*

*‘নীলম মান সিংহ চৌধুরি’ না পঞ্জাবতা চৎলিবা ক্রিয়েটিব জর্নি অসিগী শিংথানিংঙাই ওইবা মশক্তি- অতোপ্পা লোনগী লীলাশিং হন্দোক্তুন, তোঙান তোঙানবা লম অমদি মফমগী কলচর ময়ামগী অপূনবা শক্তম শাগৎপা, সহরগী এক্টরশিংগা খুঙ্গংগী পার্ফোর্মরশিংগা পুনশিনহন্দুনা অনৌবা পার্ফোর্মেন্স কলচর অমা শোমগৎপা...অসিনচিংবনা মরুওইবীনি। মহাক্কী লীলাশিং কুমজা ১৯৯৩, ১৯৯৫, ১৯৯৭- লন্দন ইন্টর্নেসনেল ফেস্তিবেল ওফ ঠিএটর, ১৯৯৫- ফেস্তিবেল’ দি এভিগনন: ১৯৯৯, ২০০০- ফেস্তিবেল ওফ পর্থ; ২০০২-সিঙ্গাপুর আর্টস ফেস্তিবেল; ২০০৩- হেমবর্গগী লাওকুন ফেস্তিবেল; ২০০৩- জাপান ফেস্তিবেল ওফ দ আর্ট; ২০০৪-২০০৫, ২০০৬-লাহোরগী জননি ফেস্তিবেল অমদি ২০০৯-লন্দন সেদলর ঠিএটরনচিংবদা উৎলুরে। কম্পেনি অসিনা শান্নখিবা লীলা খুদিংমক শক্লাইরবা কবি ‘সুরজিৎ পাটর’না পঞ্জাবী লোন্দা হন্দোকপনি।*



ফোটো কর্সি : আর সি মঙাঙচা

## কাষ্ট অমসুং ক্রেদিৎ

**ফম্বাথক্তা :** *অইবা*- বঁস ভরদ্বাজ; *মৈরীশিং*- গিক গ্রেৱাল, বহাদুর চান্দ, অমরজিৎ, দেশরাজ রমনজিৎ কৌর, পরবীন জগ্গি অমদি জগজীৎ সিংহ; *ৱারী লীবা*- পায়ল চৌধুরি; *নাগ অমদি মৈহৌবা*- বঁস ভরদ্বাজ; *রানী*- রমনজিৎ কৌর/পায়ল চৌধুরি; *মীৎতাংবী নুপী* - গিক গ্রেৱাল; *কেশো*- জগজীৎ সিংহ; *ঈশৈ যন্ত্র খোংবশিং*- মেহর চান্দ, মুন্দ্রি লাল, বহাদুর, অমরজিৎ, সটনম, রাম, গুরমিৎ সিংহ; *ঈশৈ শকপশিং*- পামেলা সিংহ, মেহর চান্দ, অনিল শর্ম্মা অমদি সোমেস।

**ফম্বাক মরুমদা :** *পঞ্জাবীদা হন্দোকপা*- সুরজিৎ পটার; *ম্যুজিক দিরেক্টর* - বি ভি করন্ত; *লাইট দিজাইন*- দৌলত রাম বৈদ; *তেংবাংবা*- পরবিন জগ্গি, *লীলা ইবা*- গিরিস কর্নাদ; *দিরেক্টর*- নীলম মান সিংহ চৌধুরি।






HL-P/7843/11,12,13,14,15,16,17 Mar.